এক্সিদেন্টতা নুপা অমা শিরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল টিদিম লম্বীগী তপোকপী খুল মনাক্তা নুপা অমা মশা মথন্তা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোক্তুনা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী পুলিসনা বিষ্ণুপুর হোস্পিটাল তম্না পুরকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদরে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবা মতমদা তপোকপী খুল মনাক্তা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা লম্বীদা লৈখিদ্রবা নুপাদগী মমিংনা খোইরাকপম সোমোরজিৎ (৩৮) অপোকপা কে ঐচ ওকেন্দ্রো কৌই। মহাক নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৪ দা লৈবনি হায়রি। পুলিসগী পাউনা হায়, মহাক্না ময়ুমদগী হোন্দা এক্টিভা অমা থৌরগা থোকখ্রগা তপোকপী খুল মনাক্তা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লৈরম্বদগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা লৈখিদবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

নুপা অমা শিরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩: ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নোর্থ এ ও সীগী মাইপাকপী হোস্পিটাল মনাক্তা নুপা অমা শিদুনা লৈরক্লে। পুলিসগী পাউনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা নোর্থ এ ও সীগী মাইপাকপী হোস্পিটাল মনাক্তা শিদুনা লৈরক্লিবা নুপা অদুগী মমিংনা ৱাংজম শামু (৪০) অপোকপা ৱাংজম চাওবা কৌই। মহাক থৌবাল খুনৌদা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি ইমুং-মনুংনা পোষ্ট মোর্টেম তৌজররোই হায়দুনা রিমসকী মোর্গতগী পুলিসতগী অয়াবা লৌরগা পুখ্রে হায়রি।

'লৌমীশিংদা স্প্রিংলর মেছিন সেট য়েন্থোকখ্রে'

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবদা লৈবা নীংথম মহৈ-মরোং মপুং ফানা পুথোক্লিবা খনগৎলবা লৌমী ১০ দা স্প্রিংলর মেছিন, পাইপ অমদি ঈশিং চিংনবা পম্পশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি টাইগর কেম্পতা লৈবা টি ঐচ নেত্রজিৎকী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

পি দি সী সী অমদি বি জে পি মন্দল খুন্দ্রাকপম শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া এন নিমবস, বি জে পি মন্দল খুন্দ্রাকপমগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ নন্দো, ইম্ফাল ইষ্ট বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এন কামিনি অমদি ইচমগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রোনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা এন রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্কী মতমদা ফামরশিং দিপার্টমেন্ট চঙলুবা মতমদা থোঙ লোন্না লৈহৌবা ঙাক্তনি। অদুবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা ফার্মরশিংগীদমক মথৌ তাবা পোৎলমশিং পীদুনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরি। খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈরিবা লৌফম অয়াম্বা চাদা ৭০ রোম্না ফম্নাইবশিংগীনি। অদুগা চাদা ২০ না ইম্ফালদা লৈবা মীওইশিংনি। চাদা ১০ না খুলগী মীওইশিংগীনি হায়রি।

ফার্মরশিংনা লৌ অমদি নীংথম মহৈ মরোং মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরবসু করিগুম্বা মতমদা লৌপুশিংনা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াওই। মরু ওইনা পুখাউদা লৈবা ফার্মর মচিন মনাও অনীনা মনা-মশিং থাদুনা ফজনা পুথোক্লম্বা অদু লৌপুনা অমুক উ পাম্বী থাজিনখিবদগী লৌমীশিং খুৎ হামদুনা লৈখিবা য়াওই।

মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বশিংনা গ্রিন হাওসশিং অসি লৌমীশিংদা পীবগী মহুত্তা ওফিসরশিংগী ময়ুমদা পুথদুনা শীজিন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি বি জে পি লৈঙাক অসিনা মথৌ তাবশিং অদু লৌমীশিংদা পীথরি। মণিপুর অসি চাদা ৯২ দি চীংগী লমনি, চাদা ৮ না তম্পাক্কী লমনি। মণিপুরগী পোৎথোক অয়াম্বা চীংগী লমদা থাই। চীংমীশিংনা তম্পাক্তা কুম্দুনা পোৎ-চৈ য়োল্লি। চীংমীশিং তমদা কুমদ্রবদি তম্পাক লম হাংদুনা লৈগনি। চীং-তম অনী মমাঙদা মরী খরা ফরমদ্রবসু হৌজিক অনৌবা লৈঙাক অসিনা হেন্না ফগৎনবা হোৎনরি। মহাক্না মখা তানা হায়, ওল্ড এজ পেন্সন পীবদা মমাঙগী লৈঙাক্না মাগী-মাগী লোইনবশিংদা পীরম্বদু হৌজিক্তি চপ মান্নবা মীৎয়েংদা ফংহল্লে।

ঙসি লৌমীশিংদা স্প্রিংলর মেছিন, পম্প, পাইপনচিংবা য়েন্থোক্লিবা অসি প্রধান মন্ত্রি কিসি সঞ্চয়ার যোজনা স্কিমগী মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি এন রাজেন্দ্রোনা থবক ফজনা তৌগদবা লৌমীশিং কোয়না চত্নুনা হান্না য়েংশিল্লবা মতুংদা অহানবগী ওইনা খনগৎলবা লৌমী ১০ ঈশিং চাইনা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা পি এল এগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাইজিন থোংগী নোংপোক থংবা এরিয়াদা মোইরাং অমদি কোমলাখোংদা লৈবা ৪২ শুবা অসাম রাইফলসগী (ঈ-কোই, সী-কোই) অমদি ককচিংগী এদিসনেল এস পি (ওপস) এন নেত্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ককচিং কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর এন টিকেন্দ্রগী কম্মান্দ মখাদা লম্বীদা অচেৎ-অওকশিং চেক তৌবদা পি এল এগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা পি এল এগী কাদর অদুগী মমিংনা সনসম হেরোজিৎ মৈতৈ এলাইয়স লানথাবা (৩১) অপোকপা এস তোম্বা কৌই। মহাক লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লমদেং খুনৌদা লৈবনি হায়রি।

থৌবালদা নেসনল ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন দে ২০১৮গী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লরিবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট অমসুং এসোসিএসন ফোর ভোল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন দে ২০১৮ গী পাল্লন থৌরম ঙসি দি সী থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা কাওন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

'গিভ ব্লদ, সেভ লাইফ' হায়বা পানদমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি সী থৌবাল হাওবম রোসিতা, আই এ এসনা অথোইবা মীথুং, চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. এন জয়ন্তকুমারনা থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা অমসুং এন ৱাই কে থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর ৱাই লক্সমননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অথোকপম কৈথেলদা লৈবা লৈমপোকপম মুহিন্দ্রো গভর্নমেন্ট হায় স্কুলদগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমসুং সী এম ও ডা. এন জয়ন্তকুমারনা লমথাদুনা থৌরম পাঙথোকফম দি সী কমপ্লেক্স ফাওবা খোঙচৎ অমসু চৎখি। খোঙচৎ অদুদা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং, লন্নাই লুপশিংগী মীহুৎশিং অমদি মরী লৈনবা লোইশঙগী ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ভোল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু মীফম অদুমক্তদা পাঙথোকখি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা নুপী ৭ য়াওনা পুন্না মীওই ২৭না ঈ পীখি। মরী লৈনবা অখঙ-অহৈ কয়ানা ঈ পীবগী কান্নবশিং, হৌজিক মণিপুরদা ঈগী অৱাৎপা কয়া লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া শুগাইনা থম্নখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ঈ ৱাৎলিবসি খরা মখৈ মেনখৎপা ঙম্নবা মীয়াম্নসু ভোল্যুন্টরি ঈ পীবিনমসু আপিল তৌখি। থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ব্লদ দোনেসন কেম্প শীন্দুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা ক্লবশিং ওর্গানাইজেসনশিং, ভোলুন্টিয়রশিং অমদি ব্লদ বেঙ্কদা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফশিংদা ইকাই খুম্নদুনা লেংয়ান ফি অমসুং সাটিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি। ঐচ দি এফ সী থৌবাল ব্রাঞ্চনসু ঈ পীখিবা দোনরশিংদা টি সার্ট অমসুং দ্রিঙ্কিং বট্টল অমমমসু খুদোল তমখি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩: কিয়াম ৱাংমতাবা য়ুথ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ক্লবকী মেম্বর ওইরম্বা সনসম অঙৌনা মশাগী হার্টকী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা চানি দগর হোস্পিটাল অমদা থা অসিগী ১১ দা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবদা কে দল্লিয়ু ৱাই দল্লিয়ু এগী ভোল্যুটিয়রশিংনা ঙসি মিনিট অনী তুমিন্না লৈপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা ক্লবগী প্রসিদেন্ট এল তোম্ব অমদি সেক্রেটরি টি ঐচ চন্দ্রমনিনা লুচিংদুনা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা থৌবাল কিয়াম ৱাংমতাবা মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা চত্তুনা অঙৌগী অপোকপী সনসম ওংবী ইনাওবীদা অঙম্বা শেনফম ওইনা লুপা লিশিং ১০ তেংবাংখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ক্লবকী মায়কৈদগী শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শকখঙদবশিংনা ফাখিবা নুপা অমা থিবা খঙদনা লৈরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উপোকপী এরিয়াদা গাড়ি মচাদা লাকপা নুপা অমা শকখঙদবশিংনা ফারগা পুখ্রে। মহাক্না পুরকপা গাড়ি মচা অদুনা মনাক অদুৱাইদা থনক্লে হায়রি।

পুলিসগী পাউনা হায়, শকখঙদবশিংনা ফাখিবা নুপা অদুগী মমিংনা খুন্দোংবম দোরেন (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ য়াইস্কুল কৌই। মহাক নাচৌ ৱার্দ নম্বর ৪ দা লৈবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ৯ গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা য়ুমদগী গাড়ি মচাদা মোইরাংরোমদা থবক অমগী চৎখিবনি হায়রি। অদুবু মহাক্না তোংখিবা গাড়ি মচা অদুনা উপোকপী মখাদা লৈরমখি হায়রি। মহাক্না মফম খঙদনা ঙসিফাওবা লৈরি। মহাক কনাগুম্বা খরনা ফারগা পুরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লৈ হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্দা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থা অসিগী ১১ দা মিসিং রিপোর্ট অমা তৌখ্রে হায়রি। মহাক কনানা, করি মরমগীদমক ফাদুনা পুখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি। লোয়ননা কনাগুম্বশিংনা মহাকপু ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বীরম্লবদি অথুবা মতমদা ইমুং-মনুংগী অৱাবা য়েংবিদুনা তেক্ত-কায়দনা থাদোকপিরক্নবা মরী লৈনবশিংনা আপিল তৌরি।

Today [illegible] Today

HOUSIE BUMPER DRAW

In aid fund drive of

POLO TOURNAMENT

Orgd. by :

COMMUNITY HUMAN DEVELOPMENT SOCIETY

Date : 14-11-2018, Wednesday

At Heingang Makha Kangjeibung Lampak

1st House Full – Royal Enfield (IB)
2nd House Full – Honda Dio
3rd House Full – Honda Dio
All Lines are – ₹ 10,000/-
Quick Five – ₹ 10,000/-
Star CHDS – ₹ 10,000/-
FREE MINI : 1st House Full – ₹ 10,000/-
2nd House Full – ₹ 5,000/-

Ticket Rate ₹ 1000/-

Time : 3.00 pm sharp

HL-P/2507/14

ꯑꯔꯥꯕꯥ/অৱাবা ফোঙদোকপা

The Loyalam Unemployed Development Organization, Moidangpok অসিগী মেম্বর ওইবীরম্বা **শ্রীঅহৈবম মেঘ সিংহ**-না হৌখিবা তাং ৭/১১/২০১৮ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী মফমদা Organization Member শিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

HL-P/2506/14&15

[illegible]/All Manipur Film Makers' & Producers' Association (AMFIMPA) গী স্পেসল জি. বি মীটিং

লাক্লিবা তাং ১৮/১১/২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৯:৩০ দা কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা 'East Garden' গী Conference Hall দা AMFIMPA গী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা চাকলেন অমগা লোয়ননা পাঙথোকচগনি। মীফম অসিদা হৌজিক Producer শিংনা থেংনরিবা Problem শিং অমদি ফিল্মগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। নুমিৎ অসিদা ফিল্মগী থবক থৌরমশিং লেপ্পীদুনা শুংশোই শোইদনা শরুক য়াবীনবা নীংশিংজরি।

Sd/- **Premjit Naoroibam**
Secretary, **AMFIMPA**

HL-P/2510/15

[illegible]

য়ুমগা কোন্নবা ইখোল য়োঙ্গরি

Thanga Oinam Leikai দা লৈবা Khwairakpam Debajit Singh S/o (L) Kh. Amuba Singh গী য়ুমগা কোন্নবা ইখোল দাগ নং ১১৯৫, দাগকী কালী একর ০.০৫২৬ কী ইখোল অমা য়োঙ্গরি। মসিদা য়েৎপীনিংবা কনাগুম্বা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা কনাগুম্বগী ৱাকৎ লৌজরোই।

Contact : Khwairakpam Debajit Singh
S/o (L) Kh. Amuba Singh
Thanga Oinam Leikai
***Contact:* ☎ 7005654016**

HL-P/5669/14

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্না লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্না লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্না লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্নবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

Phone No. **9612225582**

HL-B/4928/20/10-19/11

ALL MANIPUR THANGA PEOPLE'S WELFARE ASSOCIATION

NOTICE

It is hereby informed to all the members of the AMTPWA And members applied for membership to the AMTPWA that a special General Body Meeting will be held on the 18th November 2018 (Sunday) at 9.30 am at the residence of Shri Salam Lokendro Singh, Founder of Inspire Science Academy, contact No. 8178443975 Kwakeithel Laishram Leikai near Ibudhou Nongsaba Mamang and there will be a lunch contribution of Rs. 200/-

Agenda to be discussed :-

1. To report the progress of the Association by the General Secretary of the Association.
2. To report the financial statement of the year 2014-15 to 2017-18 by the Treasurer.
3. To pass the amendment of memorandum, rule and regulations of the Association approved by the Executive committee.
4. To approve the members applied to the Association.
5. Misc.

Therefore, you are requested to attend the special Annual General Body Meeting for the welfare and Development of the Association. With best regards.

***Sd/-* S. Jitendra Singh**
Secretary, All Manipur Thanga People's Welfare Association (AMTPWA)

HL-P/3695/14

CAS REVISION

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X

SPECIAL FEATURES:

1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position
LANCHENBA OINAM
HSLC Exam 2018, 94%
(Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)



19th Position
DEEPAK OINAM
HSLC Exam 2018, 92%
(Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)

ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam 2018, 75.8%
(Man. M. Sc.)

MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam 2018, 74.5%
(Man. M)

LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam 2018, 72.6%
(MIL. E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4983/13/11-12/12

[illegible] **ADMISSION OPEN** [illegible]

ENGLISH COACHING

For

- ➢ **SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO**
- ➢ **RHYME TEACHERS TRAINING COURSE** [Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4970/13/11-9/12

ꯃꯤꯌꯣ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ (ꯑꯦꯝ ꯁꯤ ꯁꯤ)

MEEYO COACHING CENTRE (MCC)

Sega Road Konjeng Hazari Leikai (Opp. Sangai Express)

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE
FOR CLASS X and XII Sc. and Arts (CBSE)
Class XII (COHSEM)

Class Commencing from 20th Nov. 2018

SPECIAL FEATURES

1. Well experienced faculties from the reputed Institutions.
2. Chapterwise test
3. Special grand Mock test
4. Providing probable questions and answers.

CLASS TIMING
Morning Shift
5.30 to 7.30
Evening Shift
3.30 to 5.30

For more details, Pliz Contact ☎ 7627982316 / 7005025873

HL-B/4969/6-16Nov.

3rd SCHOLARSHIP & MOCK TEST OF X & XII

Organised by [illegible]

HUMAN RESOURCE CENTRE & RESEARCH INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,Opposit Koirengei Auto Parking

SCHOLARSHIP + CASH PRIZE + MOMENTO + CERTIFICATE OF EXCELLENCE

SCHOLARSHIP
1st position : Rs.1000 x 12 Months
2nd Position : Rs.700 x 12 Months
3rd Position : Rs. 500 x 12 Months

CASH PRIZE
1st position : Rs.30,000
2nd Position : Rs 20,000
3rd Position : Rs. 15,000

SPECIAL CASH PRIZES
4th to 10th position Holders
10th to 25th position Holders

Sponsored by Advanced Coaching Institute

Form Available : Global book store, Brigthway Agency,Sucheta book house, Leo Agency K.K. book store, Premier book store, Writer book store-Pologround Maning, Manipur stationery Mart-Paona Bazar, Lairik makon-konung mamang, Career corner-Khuyathong, Fame book house-Paona bazar, Siroy Papermark-Kwakeithel, Sana Mart (Maosilen), Siroy Paper Mart,Kangla book store,Chingtam book House,C.I.-Stationery, Sindam book store-Singjamei bazar, I.R. Educational book store-M.U. main gate,Global stationery, Universal book store,Pupil's book store-Lilong Bazar, Tour and saraswati book store-Thoubal wangmataba,Oja bijoy and Shilla book store-Thoubal bazar,M.S. Photo & Video-Athokpam bazar, Global book, K.B. Stationery-Wangjing bazar, Athoiba books-Heirok, Khongjom stationery (Tejkumar), Paperie,Lila, P.P. stationery kakching, Global Enterprises-Wabagai, Romila Book store-Mayang Imphal, New Book store-Wangoi, C.I.Book store-Nambol,Nandini Book store-Bishnupur, Bina book store-Ningthoukhong, Romee Book store-Moirang lamkhai, Ibeyaima book gallery-Moirang, Sharma book store and Global book store-Yairipok bazar.

Last date of form submission : 23rd Dec.2018
EXAM DATE: 1st, 2nd, 3rd, 4th Sunday of Jan.2019

For details : contact 7005755288. Form will be available freely from the office of HRC&RI or ACI Nagamapal.

HL-P/2321/25/10-22/12(Alt.)

Apollo Tutorial Centre

ꯑꯄꯣꯜꯂꯣ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

ADMISSION OPEN

Special Revision Course for:-
Class -XII Sc.(COHSEM & CBSE):English(COHSEM only) + Physics+Chemistry+ Maths + Biology

Class Starts : 22nd November, 2018
Class timing: 4:00 p.m. to 7:45 p.m.
Last date of form submission : 21st Nov. 2018

VAN Service Available

HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS

Enroll just today and be success HSE (COSHEM) - 2019 & SSE(CBSE) - 2019

For Details Please Contact :- APOLLO Tutorial Centre
(1) 6:00 a.m. to 9:00 a.m. (2) 2:00 p.m. to 7:00 p.m.

HL-P/5587/27/10-26/11(Alt.)